ঐ ইশানা যার্জবি হৌজিক বেদগী সংহিতাদা উপাসনা (খুবম্বা) তৌবগী যাওবিবা পৃন্নদু অদগী তংখায মুক্তি সকাম (অনীংবা থুংননবা) নি অমসুং পূজা তৌবিবা অদ মথবায পানবা থোইদোকপা লাইনি হাযদুনা শীংথাই। তৌইগুম্নসুং মথব্রায পান্দবা পোৎ (পোৎচাক) কী শক্তি, মতীক মগুণ থাগৎপগী চৎনবী অসি মথং মথং চৎনবী ওইদুনা লাকপনা ব্রাহ্মণগী কুযোম্না মহাক্কী অশেংবা মক অদু মীওইবগী পৃক্লীংদগী হোংদোকখি। "জগতকী নিংথৌ" অমসুং "জাবাশংগা মবুঙো ঈশ্বর" অসিগুম্বা বাহৈগী অশেংবা মক (মকওইবা ব্রাফম) দি নোং তাবদগী জগৎ অমসুং জীব হিংলিবনি হাযবাসনি, মীশিংনা মসি মথং মথং কাউখ্রে অমসুং ইন্দ্রপু তশেং তশেংনা অহিংবা (মথবায পানবা) তোপতোপ্পা নিংথৌ অমসুং জাগশংগা ওগন লৌশিং লৈবা তোপতোপ্পা মপু অমা ওইনা মপুক্তা খনবা হৌখি। মতম অদুদা জগতকী পোৎচাক্কী মতীক মগুণ অপাম্না যাওদনা থাগৎপগী মহুত্তা অনিংবা অপাম্বা ফংনবা পূজা তৌবা খক্কমজবা ওইনক্লে। পৃক্লীংবু নুঙাইহন্নবা মতীক মযাই অভ্যাস তৌনবা লৈবন্নদ লাই ওইনা পূজা তৌবগী উপধর্ম্ম (অবানবা ধর্ম্ম) ওন্থোকখ্রে।

বৈদিক ধর্ম্মগী হৌবকফমদি মথক্তা পনখ্রিবা অসিদগী হেন্না লিববা সুক্তশিংদগীনি হাযবসি ঐখোযনা খঙবা ঙম্মী। ঋগবেদ সংহিতাগী সুক্তশিং অসি মতম অমত্তদা লেংবা নত্তে, অমসুং ঋগবেদদা যাওবিবা পূম্নমক অসি যান্নবা লাই পৃম্ববু ঈবাৎ থৌনি তৌনবা খঙনবা অবানবা ধর্ম্মগী ঙাক্তনি হাযবা অসিগুম্না ব্রাসু নত্তে। মসিদা অসিগুম্বা সুক্ত যাম্না যাওবি মদুদগী ঐখোযনা ঈশ্বর অমত্তনি হাযবা ব্রা অসি খঙবা ঙমজবি। মতমগা মতুংইন্না ঐখোযনা মদু নৈনজগনি।

পূন্নমক অসি থোইদোক্লা বৈদিক ধর্ম্মগী অবোইবা মওংদা ওইবকপনি অদুগা মথক্তা পঞ্জখিবা সুক্তশিং অসি অহানবা ওইবা অবস্থাদা, অমদি অহিংবা ইন্দ্রনচিংবগী ঈবাৎ থৌনি খণ্ডহনবা সুক্তশিং অসিনা মক ওইনা মযাই ওইবা অবস্থাদা লেংখিবনি। মসি কনা গুম্বনা পূক্লীং চঙনা বেদবু নৈনববদি মসিপূম্বা খণ্ডবা ৬মগনি। বেদব্যাসনা বেদবু শরুক খাযদোক্লম্মী। মাস খোমজিল্লম্বা নত্তনা বেদ মানথোক্লা খাযদোক্লম্বা নত্তে। খব খোমজিল্লবা অসি মী কযামকম্না তোঙান - তোঙানবা মতমদা লেংলম্বনি। মবম অসিনা অহানবা (অবিবা), মযায ওইবা মতম অমসুং অবোইবা অবস্থাগী সুক্ত হাযনা কৌদুনা সুক্তশিং অসিবু খাযদোকপা যাই। ধর্ম্মগী অহানবা অবস্থাদ পোৎচাকপু থাগৎপনি, মযায ওইবা কান্দা পোৎশক অদু মথবায পাল্লি অমসুং মদুনা ঈশ্বব অমত্তগী বা ওইবকই। মবম অদুনা সুক্তগী মব ওইবদু খণ্ডলগা মাগী মতম লেপ্পী।

হৌজিক ফাওদা বৈদিক দেবতা তত্ত্বগী মতাংদা নৈনাখ্রবা অদু পানবিবাশংনা অমুওং নাংশংনায়ু মদুগা চাওবাকপা মন ওইবা বাযমদি—

১। ইন্দ্রনচিংবা বেদগী লাইশিং আকাশ, সূর্য্য, অগ্নি, বায়ু অসিনচিংবা অসি মথবায পান্দ। পোংকী পোৎশক খণ্ডহনবা নত্তনা কবিওপ্না মীওইবদৈ হেনবা প্রাহংবা জীব নত্তে।

২। হাযবিবা লাই পূন্নমক অসিগী ঈবাৎ থৌনগী বা বেদদা যাওবিবা অসুম্না ভাবতবর্ষ নত্তনা অতোপ অতোপ্পা লৈবাক্তসু লৈবম্মী অমদি লৈাব।

৩। মসিগী মবমদি ইহান হনবা মওংদা মী ওইবনা মথবায পান্দবা পোওং মথবায হাপচিন্দুনা মাগা মতোব মণ্ডণ, কান্নবা অমদি ফজবগী মতৃংইন্না মাবু ঈবাৎ পূজা তৌই।

৪। হাযবিবা ঈবাৎপজা তৌবা অসি অযাম্বদা শক্তি লৈবা যঙবা অমসুং মাওইবদা কান্নবা পোৎপু থাগৎপা অমদি লুনা তৌবগী বার্তানি। মতমগী মতুং ইন্না মীনা অসিগুম্বা বাসি কাউথোকখিদুনা মসিবু অতোপ্পা লাই ঈবাৎপজা তৌবদা ওন্থোকখি।

হিন্দু ধর্ম্মদা অতোপ অতোপ্পা লাই ঈবাৎ পূজা তৌবা অসি অসিগুম্বা অবস্থাদা ওনখি। অসিগুম্না মওংগী ঈবাৎ পূজা অসি কান্নদবা অমসুং অনানবা

ধর্ম্ম (উপধর্ম্ম)নি। তৌইগুম্বসুং মসিগী মরু (মুল) অদুদি অমাঙবা ফত্তবদি নত্তে। পোৎকী শক্তিসু (মতীক মগুণসু) ঈশ্বরগী শক্তিনি। হায়রিবা মখোয় পূম্বসিগী নৈনবনা ঈশ্বরগী অচৌবা মতীক মগুণ অমসুং থৌজালবু খঙবা অমসুং মদুনা পূক্লীংগী ফজবা মতীক ময়াই পূম্ববু হেনগৎনবা অভ্যাস হায়বদি হন্না হন্না হোৎনফম থোকই হায়বসিনি।

মসিনা বৈদিক ধর্ম্মগী মরু ওইবা ব্রাফমনি। হৌজিক্কী মতমগী হিন্দু ধর্ম্ম অসিদসু বেদগী লাইপূম্বা ঈরাৎ পূজা তৌরি। মরম অদুনা হৌজিক কালগী হিন্দু ধর্ম্মবু শেংদোকপা ফহনবদা ব্রাফম অসি ঐখোয়গী ব্রাখলদা লৈফম থোকই। মথব্রাই পান্দবা পোৎকী মতীক মগুণ (শক্তি) গী মরমদা খন্দুনা লৌশিং তানশিনবা অমসুং পূক্লীংগী ফজবা মতীক পূম্ববু অভ্যাস তৌগনি অমসুং ঈশ্বরগী মতীক ময়াই খঙনবা হোৎনগনি অদুবু মথব্রায় পান্দবা পোৎ ঈরাৎপূজাদি তৌরোই। মসি হিন্দু ধর্ম্মগী য়াম্না মরুওইবা ব্রা অমনি।

হৌজিক বেদগী তত্ত্বদা য়াওরিবা দেব তত্ত্ব (লাইগী ব্রাফম) লোইশিন্দুনা ঐখোয় বেদগী তত্ত্বদা য়াওরিবা ঈশ্বরগী তত্ত্ব নৈনবদা চঙশিনবা য়াবে। হিন্দুধর্ম্মগী ব্যাখা তৌবগী অহানবা পন্দুপ মফমসিদা লোইশিঞ্জরে।

(১৩)
হিন্দু ধৰ্ম্ম অসিবু মথৱায় পান্দবা পোৎ ঈরাৎপূজা তৌবরা ?

ঐগী খুদোম্বী অসি ঐঙোন্দগী হেক ককথৎত্রিমখৈ মসি মথৱায পানবা লেং ওৎপা ঙম্বা অমনি, তৌইগুম্বসুং খুদোম্বী অসি ককথক্তুনা হুন্দোক্লবদি মসি ঐঙোন্দগী তোঙান্না খাইদোক্লবনিনা মথৱায পান্দনা পোৎশক অমা ওইবে।

লেঙলি পাল্লিবা অহিংবা জগত পূম্বা অসি নুপা অমগী হকচাংনি। তোঙান তোঙানবা মখলগী শক্তিগী তৃংনফম পূম্নমক হাযবদি মৈ, নুংশিৎ অসিনচিংবা পোৎ পূম্নমক অসি হাযরিবা দেবতা (লাই) অসিগী তোঙান তোঙানবা হকচাংগী শকক্লী। অসিগুম্না অহিংবা নুপা অমগী মশানি হাযনা খঙবা মৈ অসিবু অসি গুম্বা অহিংবা নুপা অমদগী ককথৎলগা পোৎ অমা নত্তে হাযনা উরবা, অদু ওইববদি, মৈ অসি অহিংবা মথৱায পানবনি হাযনা খঙগনি। অদুগা মৈগা অহিংবা অসিগা কানগুম্বা মবী লৈনৈ হাযনা উপা ঙমদবা মী অদুগী মফমদদি মৈ অসি মথবায পান্দবা পোৎশকনি।

তৌজিক কালগী নোংচুপলোমগী পণ্ডিতশিংনা মৈবু (Igneous Principle) মথবায পান্দবা পোৎশক্লী হাযনা লৌই। তৌইগুম্বসুং মমাংঙৈগী হিন্দুশিংনদি মৈগী মশাদা অহিংবগা শক্তি লৈবসি খঙদুনা মথৱায পানবনি হাযনা খঙলম্মী। তৌজিক কালগা নোংচুপলোমগী পণ্ডিতশিংনা মৈগী মশাদা যাওবা "অশাবা" অসিবু জগতকী হান্না লৈজববা শক্তিনি হাযনা উৎননবা কন্না হোৎনবি। হিন্দু ঋষিশিংসু মৈ অসিবু জগতকী হান্না লৈজববা শক্তি আদি শক্তিনি হাযনা লেপ্পম্মী। অদুবু খেন্নবদি নোংচুপলোমগী পণ্ডিতশিংগী মৈ হাযবা মথৱায পান্দবা পোৎ অসিগী শক্তি অসি মমাংঙৈগী হিন্দু ঋষিশিংগা মথৱায পানবা মৈ অদুনি।

প্রণব মন্ত্রদগী (ওঁ কাব মন্ত্রনা) জগত অসি শেম্বা, যোকপা, মাঙহনবা থবক চৎথাব। হায়রিবা প্রণব মন্ত্র অসিগী লাই (দেবতা) দি মৈ (অগ্নি) নি। মৈদগী ফংলিবা শক্তি অসিদগী জগতকী চক্র অসি লৈযবিবনি হাযবাস হিন্দুশিংনা খঙলম্মী। তৌইগুম্বসুং অসিগুম্বা মৈদগী ফংলিবা শক্তি অসিগা অহিংবা (থবায পানবা) গা লৈনবা মবী অসি মখোযনা কদৌনুংদসু খল্লমদে। হিন্দুশিংগী

মফমদা প্রণব মন্ত্রগী মিৎযেংদি মৈদগী ফংলিবা শক্তি অসি অমত্তা ঙাযবা ঈশ্বর (ব্রহ্ম), পূম্নমক খঙবা, হিংলিবা অমনি।

"ওঁ কাবস্য ব্রহ্মঋষিঃ গাযত্রী চ্ছন্দোহগ্নির্দেবতা সর্ব্বকর্ম্মারম্ভে বিনিযোগঃ।"

"প্রণব মন্ত্রগী ব্রহ্মঋষিশিংনা গাযত্রীচ্ছন্দদা অগ্নি দেবতা খুকুম্না অসি থবক অমা হৌবা পূম্বদা তৌগদবনি।"

প্রণব মন্ত্রগী পম্লুংদি মৈদা লৈবিবা শক্তিগী মবমদা খন্নীংবা খনবা পাম্বা অমদি হাযবিবা শক্তি অসিনা কবিগুম্বা থবক অমা তৌবা পাম্লবা মহাক্না খ্বাযদগী ইহান হান্না হাযবিবা মন্ত্র অসিগী ঋষি কনানো হাযবা অসি খঙফম থোকই। মন্ত্র অসিগী ঋষি কনানো হাযবসি খঙদনা হাযবদি মন্ত্রগী পম্লুং যৌনবা শক্তি অসি কবম্বা মওংদা থবায যাওবিবনো হাযবসি খঙদনা মহাক্না মন্ত্র অসিগী মতেং লৌববদি মহাক পাপ লঙজবে হাযবা ৱা অসি শ্রুতিগী বানি।

যোহহবহবৰিদি ত্বঋষিচ্ছন্দো দৈবর্তবিনিযোগেন ব্রাহ্মণেন বা মন্ত্রেণ বা যজাতি যাজর্যতি বা অধীতে অধ্যাপযতি বা হোমে কর্ম্মাণি অন্তর্জলাদৌ বা স পাপীযান্ ভবতি।

হৌজিক যেংবিযু বেদদা হাযবা ধর্ম্ম চৎলিবা ঋষিশিং অসিবু মথবায পান্দবা পোৎ ঈবাৎ পূজা তৌবান হাযবা অসি কবম্বা মওংদা চানহনগদৌবিবনো ? নোংচুপলোমগী মীশিংনা হিন্দুশিংবু মথৱায পান্দবা পোৎ ঈবাৎ পূজা তৌই হাযবিবা অসি তশেংনমক হাযবর্বদি মথবায পান্দবা পোৎ ঈবাৎ পূজা তৌবদি মখোযনি। নোংচুপলোমগী মীশিংনা হৌজিক কাল অসিদা মখল মখা অযাম্বা প্রকৃতি (মহৌশা) গী শক্তিগী মতেং লৌদুনা তোঙান তোঙানবা থবক মখল কযামুক তৌবি; তৌইগুম্বসুং অসি গুম্বা শক্তি পূম্নমক অসি অহিংবা অদুগী মথৱায যাওবনি হাযবসে মখোযনা অমুক্তফা ও খন্দবনি। জগত অসিদা শক্তি পূম্নমক অসিনা অহিংবা অদুগী কবম্বা থাঙ্গৈশেংবা অপাম্বা তৌবিবগে হাযবসি নোংচুপলোমগী মীশিংনা অমুক্তং ফাওবা থাজনবা তৌদ্রি। নোংচুপলোমগী মীশিংনা ঋষিশিংনা শীজিন্নবশিং অসি খঙদবনা প্রকৃতিগী শক্তিশিংবু শান্নবনি। শ্রুতিগী মোৎ মতুংইন্নদি মখোয পাপ লঙজববনি।

ঐখোয়না খঙজৈ-ডাইনামাইট শাখিবা নুমিৎ অদুদগী হৌনা নোংচুপলোমগী মীশিং অসি হায়রিবা পাপ অসিগী মহৈ ফংবা হৌগ্লবনি।

হিন্দুশিংনা মথৱায় পান্দবা পোৎ ঈরাৎ পূজা তৌদে। হিংদবা, মথৱায় য়াওদবা পোৎশক পূম্নমক হিন্দুশিংগী মফমদদি শোক্লোইদবা পোৎনি। হৌজিক্কী মতমদা মথৱায় পান্দবা পোৎনি হায়রিবা মৈ (অগ্নি), নুংশিৎ (বায়ু), তুরেল (নদী), চীং (পবর্বত) অসিনচিংবা পূন্বা অসি হিন্দুশিংগী মফমদদি অহিংবা মথৱায় অদু য়াওরবা পোৎশকনি। মথৱায় য়াওদ্রবা পোৎশক অমদি শিরবা হকচাং অনি অসিগী ৱাদি হিন্দুশিংনা অর্থ অমত্তনি খঙলিবা। অশিবা হকচাংগা শম্নুনা হিন্দুশিংনা লৈবা পামদে।

(১৪)

হিন্দু ধৰ্ম্মগী মরমদা অচৌবা ৱাফম অমা

ঐখোয বেদগী লাইশিংগী বাবম (দেবতা তত্ত্ব) লোইশিল্লে। হৌজিক্তি ঈশ্বরগী বাবম (ঈশ্বর তত্ত্ব) নৈনবা হৌজবগে। মতুংদা ঐখোয নুঙাইবগী মশক ওইববা ব্ৰহ্মগী ৱাফমদা ঐখোয চঙশিঞ্জগনি।

অমত্তা ঙাযববা ঈশ্বরনা জগৎ অসি শেম্লগা মসি যোকপা অমসুং মাঙহনবসু তৌই হাযবা ৱা অসি ঐখোযনা নুমিৎ খুদীংগী তায হাযদুনসু মসিবু কযামুক লুবা ৱাফমনো ? মীওইবগী বুদ্ধিনা কদাই ফাওবা খঙবা ঙমদবনো হাযবা অদু ঐখোযনা থিদুনা পুথোকপা ঙম্মদ্রে। মীওইবগী জ্ঞাননা যৌবা ঙমদবা তত্ত্ব (নুংগী বাবম) কযামুক লৈ, মদুগী মনুংদা খ্বাযদে হেন্না মসদা মীওইবগী বুদ্ধিনা যৌঙমদবনি। অসিগুম্বা হেন্না লুববা ৱা অসি ঙসিদু লাইবিক লাইশু হৈতবা চাওখৎলবা (সভ্য ওইববা) মীশিংনা মমুৎ তানা খঙবা ঙম্মদ্রে। অদব মাস [illegible] চাওখৎত্রবা (অসভ্য) জাতিগী মীশিংদি খঙলম্গা ? মদু ওইথোক্তে। [illegible] * জ্ঞান চাওখৎলকপা অসি পীকথ্র পাকখ্রবা মরুদগী মথং মথং ওইবা [illegible] খ্বাযদগী হেন্না ফংঙমদ্রবা অমদি খংনা ঙমদ্রবা জ্ঞান অসি মগাং [illegible] (অ [illegible] মতমগী) মীনা খ্বাযদগী হান্না ফংথি খঙখি হৌবা অসি ওইনা [illegible]। অযাম্বনা হাযবীগনি অমদি হাযদুনা লৈদি মদুদি ঈশ্বরগী হৌজিক ফংলব্দি মদু ওইথোকপা যাদবা নত্তে। মীওইবগ কন্নবা খ্বাযদগী হেন্না কান্নবা অদু থৌজানবীদুনা মহাক্না মপৃংফাদবা বুদ্ধিনা মাগী ওইবিবা অবিবা মতমগী মীগী থম্মোযদা ফোংদোকপীবম্বা যাই; অমসুং ঐখোযনা হৌজিকসু সভ্য (চাওখৎলবা) সমাজ অসিদা লৈবা লাইবিক লাইশু হৈতবা অপঙবা (মুর্খ) শিংদসু ঈশ্বরগী জ্ঞান লৈ হাযবসি ঊবা যংই। অদুবু হাযবিবা পাউখুম অসি অচুম্বা পাউখুমদি নত্তে।

* খঙ হৈবরশিংনা হিন্দু শাস্ত্ৰদা বিজ্ঞানগী অৰ্থ Science নত্তে হাযরাস হংই। তৌইগুম্বসুং হৌজিক্তি অৰ্থ অসিদা শীজিন্নদুনা লাক্লে হাযদুনা ঐসু অৰ্থ অসি লৈবদা তারে। নীতি হাযবা বাক্তে অসিদস অসিগুম্বা দযা অসি থোক্লে। নীতিগী অৰ্থদি Politics হাযরনি অদুবু হৌজিক্ত ঐখোযনা নীতিগী অৰ্থ Morals হাযনা শীজিন্নাব।

কবিননো হায়বদা হৌজিক পৃথিবী অসিদা লৈবিবা চাওখৎত্রিবা (অসভ্য) জাতিশিং অসিগী মবক্তা থি-হুমদুনা যেংলুবদা মখোযগী মবক্তা অযাম্বনা ঈশ্বরগী জ্ঞান লৈতে। কনা কনাগুম্বা মী অমগী মপু পুকোক অমদি অচৌবা ভুৎ হায়না কৌবা মীওইবদগী হেনবা মথৱায় পুবা পোৎশক অমা কনা কনাগুম্বা অসভ্য জাতিনা থাজবদি লৈবম্বা যাই তৌইগুম্বসুং মদু ঈশ্বর জ্ঞানদি নত্তে। মতৌ অদুম্না সভ্য (চাওখৎলবা) সমাজদা লৈবা কৈশু খঙদবা অপঙবা (মুর্খ) মীনা ঈশ্বরগী মমিং তাদুনা মাবু মচিন্না ব্যবহার (ইকাইখুম্নবদি) দি তৌবা যাই তৌইগুম্বসুং মাগী পূর্ব্বাংগী মতীক মযাই পূম্বা অভ্যাস তৌদুনা মপূং ফাহনবদি তৌদ্রি। অদুনা মাগী মফমদা ঈশ্বর জ্ঞান ওইথোক্তে। লাইবিক লাইশু পাদ্রবদি ৱাখলগী মতীক মযাই পুম্বদু অভ্যাস তৌদ্রি হায়বদি নত্তে। অদুবু ওইনীংবা অমা ওইববসু বুদ্ধি, ভক্তি অসিনচিংবা পম্নমক অভ্যাস তৌবা নত্তনা ঈশ্বর জ্ঞান ফংবা ওইথোক্তবনি। মসি লৈত্রবদি ঈশ্বরগী মিংদা চুম্নতগী লাই নুপা নুপীবু পূজা তৌবা ওইবা যাই।

মরম অসিনা বুদ্ধিগী শেংদোক্লবা অবস্থা (মওং) নত্তনা মীওইবগী থম্মোইদা ঈশ্বর জ্ঞান পোকপা ওইথোক্তে। কবিগুম্বা জাতি অমা চাং অমদা সভ্য ওইববা, শেংদোক্লবা বুদ্ধি লৈববা ওইববদি হায়বিবা অদুগুম্বা চাং অদুদা ঈশ্বর জ্ঞান ফংই। হায়বিবা বাফম অসি যানিংদবা ওইনা কনা কনাগুম্বা মমাংঙৈগী যিহুদিশিংবু খুদম ওইনা পীদুনা মখোয় অসি মমাংঙৈগী গ্রীকনচিংবদগী সভ্যতাদা হন্থববসু ঈশ্বর জ্ঞান ফংখি হায় মদুগী পাউখুমদা হায়ফম থোকপদি— যিহুদিশিংগী ঈশ্বর জ্ঞান অদুদি থাঙ্গেশেংবা ঈশ্বর জ্ঞান নত্তে। জিহোবাবু ঐখোয়না ঐখোয়গী নোংচুপলোমগী ওঝাশিংগী কৃপাদগী ঈশ্বরনি হায়না থাজবা তমখি তৌইগুম্বসুং জিহোবাদি যিহুদীশিংগী অমত্তা ঙায়বা পূজা তৌফম থোকপা লাই ওইববসু ঈশ্বরদি নত্তে হায়না হায়ফম থোকই। মহাক্তি অশাউবা; কল্লকপগী মখাপোনবা, মীচঙ মীখায় নাইবা, তশেংবা মী ওইবা দেবতানি। অমবোমদা নীংথিনা লাইবিক লাইশু হৈববা গ্রীকশিংদি মখোয়দগী হেন্না ৱাংবা ঈশ্বর জ্ঞান ফংখি। খৃষ্ট ধর্ম্ম চৎপাশিংগী ঈশ্বর জ্ঞান অসি যীশুনা যিহুদি ওইববসু হায়বিবা জ্ঞান অসিদি যিহুদীশিংদতগী ফংখিবা নত্তে। খৃষ্ট ধর্ম্মগী থাঙ্গেশেংবা হৌদোকপদি সেন্ট পালনি। মহাক গ্রীক শাস্ত্র যাম্না ফজনা হৈবা নুপা অমনি।

খ্বায পূন্নমক্তগী হান্না বৈদিক হিন্দুশিংনা মতম খজিক্তংগী মনুংদা সভ্যতাগী থাক্তা লৈরুদুনা ঈশ্বর জ্ঞান যৌবা ঙমখি। ঐখোযনা হৌজিক ফাওবদা বৈদিক ধর্ম্মগী লাইগী ৱাবম (দেবতত্ত্ব) তমক নৈনবি (সমালোচনা তৌবি)। কবিননো হাযবদা মসিনা মকনি, যুমফমনি। তৌইগুম্বসুং অওইবমক্তি বৈদিক ধর্ম্মগী মপৃং ফাববা (মমুন ফাববা) অদুদি যান্না ৱাংলবা ধর্ম্মনি, অমসুং ঈশ্বর অমত্তবু ঈবাৎ পূজা তৌবনা মসিগী মকওইবা মর্শাক্নি। অদুবু হাগনীংঙাই ওইবা বাদি হিন্দুশিংপু অহানবামক্তদা মরুদগী হেক্তা ঈশ্বর জ্ঞান ফংবা নত্তে। জাতি অসিনা ঈশ্বর জ্ঞান ফংবা অসিমক মহৌশানা ইতিহাস অমনি; মর্দুদি অহানবদা, মহৌশাগী ওইবা পোৎশক অমদি শক্তিদা মথৱাগ হাপ্পা, মথৱায পান্দবা পোত্তা মথৱায হাপচিনবনি। মদুদগী কবন্না লাই (দেব) ওইবকপগে হাযবদু মথক্তা হাযজখ্রে। হাযবিবা মওং অসি গুন্না বেদগী মতমগী মীশিংনা (বৈদিকশিংনা) মতৌ কবন্না ইন্দ্রনচিংবা লাই ফংথবগী ৱা মথক্তা উবিখ্রে। মওং অসিদা জ্ঞান অসুম অসুম হেনগৎলক্লবদি লাইদু নীংলিবা (উপাসক) শিং অদুনা উবা ফংলকই মদুদি আকাশপু ঈবাৎ পূজা তৌবা, নুংশিৎপু ঈবাৎ পূজা তৌবা, নোংবু ঈবাৎ পূজা তৌবা অর্মদি মেঘ ঈবাৎপূজা তৌবা হায়বিবা পূন্নমক অসি নিযম অমগী মখাদান। হায়লিবা নিযম অসিসু মতম পূন্নমক্তা অমত্তা ওইবা স্বভাব (মশাগী মওং) অমখক্তা ওইনা উবা ফংবিগনি।

মাখন মহী (ঘোল)বু মাখনজৈনা ফন ওৎলবসু মখন মহীতা ওই, নুশিংনা হুন্নীবা সমুদ্রসু নিযম অমগী মতুং ইন্না লৈনা লৈনা লেংদুনা লৈ, ঐগী খুজোক্তা যাওবা ঈশিংনা লৈবাক্তা তাবগী নিযমদা আকাশতগা পথি্ব থক্তা নোং তাই। নির্যাত (লাইবক) অমত্তনা পূন্নমকপু সাসন তৌব, পূন্নমক নিযম অসিগী মখাদা লৈদুনা মাগী মাগী মথৌ তৌবি; কনানসু নিযম অসি নাস্তোকপা যাদে। অদু ওইববদি পূন্নমকসিগী নিযম তৌবিবা মী, লৈঙাকপা, পূন্নমকসিগী হৌবকফম মবম ওইবা মীশক অর্মদি লৈ। চাওববা জগত আসদা লৈবিবা পূন্নমক অসে হাযবিবা নিযম অমথকসিগী মতুংইন্না চৎলি। মবম অদুনা বিশ্বজগত অসিদা লৈবিবা পূন্নমক অসি নিযমশেম্বা অমনা শেমলি অমসুং মানা সাসন তৌবি । ইন্দ্রদগী হৌবদুনা লৈঙোই মকুপ ফাওবা, পূন্নমক নিযম অসিগী মখাদা লৈ, পূন্নমক অসি মী অমনা শেম্বা অমসুং ঙাক্লিবনি অমসুং মী অদুনা পূন্নমকসি মাঙহল্লিবনি। মসিনা অচম্বা

ঈশ্বব জ্ঞাননি। মথৱায পান্দবা পোৎ ঈবাৎপূজা তৌবদগী মসি যৌবকপা মতম যাম্না চঙনা ওইবকখিবনি; কবিননো হাযবদা মথৱায পান্দবা পোৎশক পূম্বা অমত্তা ওইবা অৰ্মদি নিযম অমগী মখাদা লৈবনি হাযবসি মথং-মথং উপাসক (ঈবাৎপূজা তৌবিবা) অদুগী থম্মোইনুংদা ফাওবকখিবনি।

অদুম ওইনমক ঈশ্বব জ্ঞান ফংলক্লবদি অতৈ দেব দেবী পূজা তৌবা তোক্কনি হাযবা অৰ্দাদ নত্তে। মমাংঙৈদগী হৌনা মওং অমগী ওইনা মথৱায পাল্লি হাযনা থাজনবক্লবা মখোয অদুদি, জ্ঞান অমুক হেন্না চাওখৎলকপা নত্তবদি, বিজ্ঞান শাস্ত্রগী মতুংইন্না থন্ন নৈনবা নত্তনা মখোযবু মথবায পান্দবা পোৎশক্লী হাযনা খন্নবোই। ঈশ্বব জ্ঞান অসিনা অসুম হাযনা থাজবা অসি থিংদে। ঈশ্ববনা জগত শেম্না ওইববসু ইন্দ্রনচিংবসু লৈ হাযনা থাজে অদুম ওইনমক ঈশ্বব জ্ঞান লৈবিবা উপাসক অদুনা ইন্দ্রর্নাচিংবা অসিসু ঈশ্ববনা শেম্বনি অমসুং মহাক্না শিজিন্নবগী মতুংইন্না মশা মশাগী থবক তৌদুনা মশাগী ধৰ্ম্ম ঙাক্লুনা লৈর্নাব হাযনা লৌই। ঈশ্ববনা মীর্নাংবা জীবাশং (মথবায পানবা) পূম্নবু শেম্বগুম্না ইন্দ্রর্নাচংববুসু শেম্মী অমসুং মী অমসুং জীর্বাশংবু যোকপগুম্না অমসুং কল্পনা লোইবকপদা মাঙহনবগুম্না ইন্দ্রর্নাচিংবসু হৃদন্না তৌদুনা লৈ। অদুম ওইনমক ইন্দ্রনচিংবা অসি মীওইবনা ঈবাৎপূজা তৌথম থোকই হাযবা ব্রা অসি থাজনবি, কবিননো হাযবদা ইন্দ্রনচিংবসি থোইদোক হেন্দোক্না মীওইবদগী হেনবা শক্তিনা থনবা অমদি ঈশ্ববনা মখোযবু মীওইবশিংগী কান্ননবদা শীজিন্নৈ হাযনা থাজনৈ। মবম অসি লৈবনা ঈশ্বব জ্ঞান ফংলবসু জাতশিংগী মবক্তা দেব দেবী ঈবাৎপূজা তৌবা তোক্লদে। হিন্দু ধৰ্ম্মদা মাসমক থোকখি। মসি হৌজিক হিন্দু খ্বাযনা চৎর্নাববা ধৰ্ম্মান হাযবদি খ্বাযনা যানা চৎনবিবা হিন্দু ধৰ্ম্মনি অদুবু অশেংবা হিন্দুধৰ্ম্মদি নত্তে। খ্বাযগী চৎনবিবা হিন্দুধৰ্ম্মদি ঈশ্বব অমনা পূন্নমক শেমই পূন্নমকীদমক তৌবিবনি অদুম ওইনমক লাইশিংসু লৈ অমসুং মখোয পূম্বা ঈশ্ববনা মীশিংবু ঙাক্লনবগী থবক্তা শীজিন্ননি। বেদ অমসুং হিন্দু শাস্ত্রগী অতৈ অতোপ্পা শকক্তা মফম মফমদা হাযবিবা ভাব বাখল অসি হুন্দোকপা যাদনা যাওবি।

সিগী তুংদা জ্ঞান চাওখৎলকপ (হেনগৎলকপা) গা লোযন-লোযননা লাই নুপা নুপী (দেব দেবী) গী মবমদা নুংগী ওইবা ভাব বাখল ঙাম্লোবকই।

জ্ঞান লৈবা লাইনীংবা (উপাসক) অমনদি ইন্দ্রনা নোং তাহনবা নত্তে ঈশ্বরগী শক্তিনা নত্ত্রগা ঈশ্বরনা শেম্বা নিয়মগী মতুং ইন্না নোং তাবনি, ঈশ্বরনা নোং তাহনবনি হায়বসি উবা (খঙবা) ঙর্ম্মী। নুংশিৎ কৌবা কনাগুম্বা মনীংতম্বা লাই অমনা নুংশিৎ শিৎহন্দে, নুংশিৎ হায়বসি মশাগী ওইজবা শক্তিনি, সুর্য্য (নুমিৎ) অসিসু মথৱায় পানবা তোপ তোপ্পা মঙান পীবা, জীব নত্তে, সুর্য্য মথৱায় পান্দবা পোৎনি। নুমিৎকী লমদম (সৌর লোক) অসিসু মশাগী মথন্তা লৈজবা শক্তিগী থবক্লী অদুনা নোং তাহল্লিবা, নুংশিৎ শিৎলিবা অমদি মঙাল পীরিবা অসিনচিংবা পূম্নমক অসি হায়বিবা ঈশ্বর অদুনা হায়বগী মতুংইন্না তৌবনি হায়বা খঙলবা মতমদুদা ইন্দ্র, বায়ু, সুর্য্য অসিনচিংবা পূম্বা অসি ঈরাৎ পূজা তৌবা মতমদা ঈশ্বরগী অতোপ্পা মমিংনি হায়না লৌগনি। মহাক্তি অমত্তনি অদুবু মাগী মশক মওং অমসুং থবক্তি মশীং লাকঙমদর্বনি, থবক খেন্নবা, শক্তি খেন্নবা, মফোঙদোক (মশক) খেন্নবদগী মাগী মমিংসু মশীং থীঙমদবনি। ঈরাৎ পূজা তৌরিবা মী (উপাসক) অদুনা ইন্দ্র হায়না কৌবদা মাবু কৌরিবনি, বরুণ হায়না কৌবদা মাবু কৌজবনি, নুমিৎ (সুর্য্য) অমদি অগ্নি (মৈ) হায়না কৌবদা মাবু কৌবনি।

মসিগী ফল (মহৈ) অমদি খুরুমজবিবা মী (উপাসক) অদুনা ঈশ্বরগী মমিং শোনবা (স্তব তৌবা) মতমদা ঈশ্বরবু হান্ননা খঙনরবা ইন্দ্রনচিংবা মিংনা শোল্লি (কৌই)। ঈশ্বরদি ইন্দ্রনচিংবশুনি, মরমদি ইন্দ্রনচিংবসু ঈশ্বরগী অতোপ্পা মমিংনি। ইন্দ্রনচিংবা মিংদা মাগী পুজা তৌবা মতমদা ইন্দ্রনচিংবগী মফমদা মশা পূম্বা জগতকী মবুংঙো ঈশ্বর ওইহল্লি। করিননো হায়বদা জগতকী মবুংঙো ঈশ্বর নত্তনা অতৈ অতোপ্পা ইন্দ্রনচিংবা কনাসু লৈতে।

বেদগী সুক্তশিংদা (মন্ত্র) হায়রিবা ভাব (ৱাখল) অসি থোইদোক্লা মখল য়াম্না উবা ফংই। সুক্ত (মন্ত্র) অসিদা ইন্দ্রবু জগদীশ্বর ওইনা, সুক্ত অমদা বরুণবু জগদীশ্বর ওইনা, অতোপ্পা সুক্তদা অগ্নিবু জগদীশ্বর ওইনা, অতোপ্পা সুক্ত অমদনা সুর্য্যবু জগদীশ্বর ওইনা লৌবা অসি হন্না হন্না থেংনৈ। নোংচুপলোমগী পণ্ডিত মেক্ষমুলরনা মসিগী অথুপ্পা (মকওইবা শরুক) অদু করিসু খঙবা ঙমদদুনা করম্বা অঙকপা ওন্নতৈনবা মশক মওং অমা খল্লুদুনা, করি হায়না অসুম্না ধর্ম্মগী মমিং থোল্লন্নিবা অমদি অসিগুম্নবা হু চেল্লবা ফত্তবা ৱাখলদা লুপখিবা ! অসিগুম্বা

থৌদোক অসি নোংচুপলোমগী ধৰ্ম্ম অমত্তদা থোকখিদে, মসি Theism (লাই লৈ থাজবা) নত্তে, Polytheism (লাই মযাম থাজবা) সু নত্তে, Atheism (লাই থাজদবা) সু নত্তে, করিগুম্বা ism (ধৰ্ম্মগী পাউতাক) অমা নত্তে; অসুম হায়না খন্দুনা, নীংদুনা অচৌবা পণ্ডিত অসিনা গ্রীক লোনগী অভিধান (Dictionary) অমা ফাক্লগা গজ অমমখাইগী নাপ অমা লৌরগা মমিং অমখক Kakeno theism নত্রগা Heno theism হাযনা কৌদুনা শেমখি। অসিগুম্বা বিদ্যা পূন্নমক অসি লৈবাক অসিদদি তমই, তাকপী, ইকাই খুম্নে অমসুং অনুবাদ (হন্দোকপা) তৌনৈ। মসি ইচম চম্বা অরাবগী বিষয নত্তে। আচার্য্য (গুরু/ ওঝা) মেক্ষমুলর থোইদোকপা মওং অমদা বেদবু তমখি তৌইগুম্বসুং পুরান ইতিহাসতি মহাক করিসু উখিদে খঙখিদে হাযববসু যাই। কবিগুম্বা উখিবা লৈরম্লবসু মদুদগী ঐথোযনা খঙবদি অসিগুম্বা খঙবদা লুনবা বাফম হাযবদি দেবতা (লাই) পূন্নমকপু ঈশ্বরনি হায়বা অসি বেদতা নত্তনা পুরান ইতিহাসতদি যাওই হাযবসিনি। মসিগী মক ওইবদি অতৈ কৈস্য নত্তে মতৌশাগী ওইবা পোৎ পূন্নমক্তা ঈশ্বরগী মতীক মগুণ উই হায়বা অসিতনি। মাগী Henotheism অমদি Kakeno theism হাযবা অসি অতৈ কৈস্য নত্তে polytheism কৌবা পোৎশক অদুদগী থোবকপা pure theism (লাই থাজবা) হাযবসিনি।

অসুম্না বৈদিক ধৰ্ম্মগী মওং অহুম খক ফংলে- -

১। দেব (লাইবু) ঈরাৎপূজা তৌবা হায়বদি মথবায পান্দবা পোত্তা মথরায হাপ্পা অমসুং মদুবু ঈরাৎপূজা তৌবা।

২। ঈশ্বরবু ঈরাৎ পূজা তৌবা, লোয়ন-লোয়ননা লাইশিংবুসু ঈবাৎ পূজা তৌবা।

৩। ঈশ্বরবু ঈবাৎ পূজা তৌবা অমসুং লাই পূন্নমক ঈশ্বরদা পূমতীন তিনশিনখিবা (মাঙখিবা)।

বৈদিক ধৰ্ম্মগী অযৌবী মওংদি উপনিষদতা লৈ। মফমসিদদি লাই পূন্নমক অমুক্তা ওইনা পূমথাপ থাপতোকখ্রে হায়বা য়াই, লৈহৌবিবদি নুঙাইনবগী মশক ওইবা ব্রহ্মবু ঈরাৎপূজা তৌনবা মশক ওইনা লেঙদনা লৈবা অসি খর্ক্তনি।

মসিগী ধর্ম্ম অসি য়াম্না শেংলবা তৌইগুম্বসুং মপূংদি ফাদ্রিবনি। মসি মরিগুবা মওংনি।

অবোইবদা গীতানচিংবা ভক্তি শাস্ত্র থোরক্নে অমসুং সচ্চিদানন্দ (মতম পূম্বদা নুঙাইনবা) ওইবা মাবু ঈবাৎপূজা তৌবদা ভক্তি যাওশিনগ্রে। মতম অদুদা হিন্দু ধর্ম্ম মপূং ফাবে। মসি মশা পূম্বা মপূং ফাববা ধর্ম্ম অমসুং ধর্ম্ম পূম্নমক্কী মনুংদা জগত্তা খ্বাযদগী হেনবা অথোইবা ধর্ম্ম ওইবে। নির্গুণ (গুণ অমত্তা যাওদবা) ওইবা ব্রহ্মগী মশক্কী জ্ঞান অমসুং সগুণ (গুণ যাওবা) ওইবা ঈশ্বরবু ঈবাৎপূজা তৌবা অসি অশেংবা হিন্দু ধর্ম্মনি। মসি মীওইবা পূম্বনা যানববা পাম্নফম থোক্লবনি। মসিদা অবাবগী মবম অমদি হিন্দুশিংনা অসিগুম্বা ব্রা অসি পুমকাউ কাউথোকখিদুনা ধর্ম্ম শাস্ত্রগী পাউতাক পীবা মী অমদি দেশাচাব (লমলমগী চৎনবী)বু হিন্দু ধর্ম্মগী মফমদা (মহুত্তা) থাঙ্গত্তুনা লাত্তুনা থল্লে। মসিনা হিন্দু ধর্ম্মগী লৈখা তানবগী অমসুং হিন্দু জাতিগী লৈখা তানবগী মবম ওইবে।

হৌজিক্তি হাযলিবা থাফম পূম্নমক অসি অমুক হন্না তশেং তশেংনা খণ্ডহন্দুনা প্রমান পীদুনা উৎননবা হোৎনজগান। মঙ্গল ওইগদ্রা ওইবোইদ্রা (কান্নগদ্রা কান্নবোইদ্রা) হাযবা অসিদি ধর্ম্মবু লুনা তৌবিবা (ঈবাৎলিবা) মাগী মখুত্তা লৈবে। তৌইগুম্বসুং পার্বাবিবশিংগী মকওইবা বা কযা পূক্নীংদা লৌবিবমগনি লৈবমদ্রবদি হোৎনজবা অসি অবেম্বা তাগনি। হিন্দু ধর্ম্মগা মবী লৈননা প্রচাবদা বাবেং কযামুক উনা ফংখি অদুবু মদু মথং মনাও নাইনা ফোঙদুনা পাবা ফংখিদবা মবমনা মবক মবক্তা পাকবা অদুনদি পূম্নমক অদুগী মক ওইবা ব্রাফম লৌখৎলুবা ওইথোক্তে। শামু ওইগে ওইযু লমহুই ওইগে ওইযু মমিৎ তাংবা মীগী মতৌগুম্না মাগী মখুৎ মখোং অমদি মনাবু পায়কবগা মাগী মশক লাকপা ভমদে। "মহাক অসি নিংথৌগী থোঙ্গান্দা উনবে অদুনা মকপনি" হাযবা অসিগুম্বা ব্রাসি ঐখোযনা তাবা ফংলি।

(১৫)

বেদগী ঈশ্বর বাদ (ঈশ্বরগী ৱারম)

হায়নবা লৈ হিন্দুশিংগীদি লাই কোটি কুন্থ্রাহুমদোইহিনি, তৌইগুম্বসুং বেদদা হায়রিবদি পূন্না লাই কুন্থ্রাহুমদোইতনি। মসিগী মতাংদা মথক্কী পন্দুপ্‌তা খ্বক পূন্নমক লৌখত্নুনা হাপচখ্রে। পাবিরিবশিংনা মদু অমুক্তা নীংশিংবীয়ু — ঐখোয়না উজে বেদদা হায়বদি লাই কুন্থ্রাহুমদোই অসি কাগুলুপ অহুমথোক্লা খায়দোকই, তরামাথোইনা আকাশতা, তরামাথোই অমনা অন্তরিক্ষদা (আকাশ পৃথ্বি লোন্নবদা) অদুগা তরামাথোই অমনা পৃথিবীদা লৈ।

মসিগী মতাংদা যাস্কনা করি হায়বগে হায়বদু তাবিয়ু। মহাক অসি য়াম্না লিরবা মতমগী নিরুক্ত লেংবা মী অমনি, হৌজিককালগী ইউরোপকী পণ্ডিত নত্তে মানা হায়রম্মী "ত্রিস্র এব দেবতা ইতি নৈরুক্তাঃ। অগ্নিঃ পৃথিবী স্থানো বার্যুবা ইন্দ্রো বা অন্তরিক্ষ স্থানঃ সুয্যো দ্যুস্থানঃ। তাসাং মহাভাগ্যাদ্ এৈকৈকস্যাপি বহ্বনি নানধেয়ানি ভবন্তি। অপি বা কর্ম্ম পৃথকত্বাৎ যথা হোতা অধবর্য্যুব্রহ্মা উদগাতা ইত্যসোকস্য সতঃ।" ৭।৫ হায়বদি নিরুক্ত ইবশিংগী মোত্তা বেদগী দেবতা অসি মী অহুমদনি। পৃথিবীদা মৈ (অগ্নি), অন্তবিক্ষদা ইন্দ্র অমদি বায়ু (নুংশিৎ) অমসুং আকাশতা সুর্য্য (নুমিৎ)। মখোয়গী মচেৎ ময়াম খায়দোকপগী মবম্না মী অমমমগী মমিং কয়ামরুম লৈ। অমবোমদা মখোয়গী থবক খেন্নবগী মতুং ইন্না হায়বদি হোতা, অধবর্য্য, ব্রহ্মা, উদগাতা হায়বসি মী অমতগী মমিংনি।

কোটি কুন্থ্রাহুমদোইগী জাগাদা মরুদদি কুন্থ্রাহুমদোই খক ফংখি। হৌজিক কুন্থ্রাহুমদোইগী জাগাদা (মফমদা) পূন্না মী অহুম উবা ফংই — অগ্নি, (মৈ), বায়ু (নুংশিৎ) নত্ত্রগা ইন্দ্র (নোং) অমসুং সুর্য্য (নুমিৎ)। মশীং য়াম্না য়াম্লবা তোঙান তোঙানবা মথৱায় পানবশিংনা জগত অসি শাসন তৌবা নত্তে, জগতকী শক্তিদি অমত্তনি, মখল মখা য়াম্বা নত্তে; পৃথিবীদা পূন্নমক অসি নিয়ম অমগী শাসননি, অন্তরীক্ষদসু পূন্নমক নিয়ম অমগী শাসননি। আকাশতসু পূন্নমক নিয়ম অমগী শাসননি হায়বসি হৌজিক উরবনি। পৃথিবীদা তোঙান তোঙানবা লাই (দেবতা) তরামাথোই খক লৈতে — লাই অমত্তনি, মাগী থবক খেন্নবগী মতুং ইন্না মমিংদি য়াম্মী।

অদুম অদুম ওইনমক মাদি অমত্তনি লাই মযাম নত্তে। মতৌ অসুম্না অন্তরীক্ষদসু লাই অমত্তনি, আকাশতসু লাই অমত্তনি।

হৌজিকসু ঋষিশিংনা অহিংবা শক্তিগী মপুংফাববা অপূনবা অমখক্তং ওইবদু খঙবা ঙম্মে হাযনা ফোঙদোকপা তৌদ্রি। হৌজিক পৃথিবীগী লাই অমা, অন্তরীক্ষগী অমা অমসুং আকাশকী অহুমশুবা লাই অমনি। মথক্লায পানবা জীব, লৈনুংদগী হৌবকপা পাম্নীশিং অমদি মখোযবু ঙাকশেন্নবা নুংশিৎ (বাযু) নোং (বৃষ্টি) হ্রাসিনচিংবা নোংদোল (অন্তরিক্ষ)গী থবকশিং অদুগা অসিগুম্বা তোঙান তোঙানবা প্রকৃতি (মহৌশা), অমদি পূন্নমক অসিগী মথক্তা মঙালনচিংবা আকাশগী থবক (মথৌ): পূন্নমক অসি নত্তনা, হাযবিবা অহুম অসিগী অমত্তা ওইবা অমসুং নিযম অমগী মখাদা লৈবা অদু রাখলনা খঙলুবা অসিসু অমূক মতমগী মতুং ইনবনি। তৌইগুম্নসুং মপা লৈতনা মতীক মঙল লৈববা বৈদিক ঋষিশিংগী মফমদা মদুসু নুমিৎ যাম্না কুইনা শেংনা খঙদনা লৈখিদে। ঋগ্বেদ সংহিতাদগী মদু খঙবা ঙম্মী – "মূর্দ্ধা ভুবো ভবতি নক্তমগ্নিস্ততঃ সর্য্যো জাযতে প্রা তরুদ্যন।" (১০-৮৮) হাযবদি" অগ্নি (মৈ) না অহিংদা পৃথিবীগী কোকথক্তা; নোংঙানবদনা মহাক নুমিৎ (সূর্য্য) ওইনা থোকই।" অমূকসু "যদেনমদধুর্য্য জ্ঞিযাসে দিবি দেবঃ সূর্য্যমাদিতেয়ম।" মসিদা অমদি "এনং অগ্নিং সূর্য্যং আদিতেযং" হাসিনচিংবা বাহৈ পবেংদা মৈবু (অগ্নিবু) নুমিৎ (সূর্য্য) নি হাযবা খঙহল্লি।

হাযবিবা সুক্ত অসিগী ব্যাখা তৌবা মতমদা যাস্কনা হাযখি- "ত্রেধা ভাবায পৃথিব্যামন্তরিক্ষে দিবি ইতি শাকপুণি।" হাযবদি শাকপূণি হাযবা (মমাংঙৈগী নিরুক্ত লেংবা) নসু হাযখি "পৃথিবী অন্তরিক্ষ অমসুং আকাশ হাযবা মফম অহুম অসিদা অগ্নি (মৈ) লৈ।" মালেম (ভৌম) নোংদোল (অন্তরিক্ষ) অমসুং স্বর্গ (দিব্য) মফম অহুমসিগী লাইদি অগ্নি (মৈ) নি"

অগ্নি (মৈ) গা মরী লৈননা অসিগুম্বা না কযা মকমসু ফংই। মথং মথং জগত অসি শক্তি অমত্তগী মখাদা লৈবা অসি ঋষিশিংগী পূক্নীংদা অমুক্কা হেন্না তশেং তশেংবা ওইবকই। "ইন্দ্রং মিত্রং বরুণমগ্নিমাহুরথো দিব্যঃ স সুপর্ণো গরুত্মাণ্। একং সদ্বিপ্রাঃ বহুধা বদন্তি অগ্নিং যমং মাতরিশ্বানং" ইন্দ্র, বরুণ, অগ্নি, বল অমদি দিব্য (লাই) সুপর্ণ গরুত্মান, বল, হাযবিবসি মী অমবু ব্রাহ্মনশিংনা

ময়াম হায়বনি; খুদমদি "অগ্নি যম মাতরিশ্বন্"। অমুকসু অর্থবব বেদদা–"স বরুণঃ সায়মগ্নির্ভবতি স মিত্রো ভবতি প্রাতরুদ্যন্। স সবিতা ভুত্বা অন্তরিক্ষেণ যাতি, স ইন্দ্রো ভুত্বা তপতি মধ্যতো দিবং"– "হায়রিবা অগ্নি অসিনা নুমিদাংৱাইদা বরুণ ওই। মহাক্লা অয়ুক্তা থোক্লুনা মিত্র (নুমিৎ) ওই, মহাক্লা সবিতা ওইদুনা নোংদোলদা (অন্তরীক্ষদা) চৎলি অমসুং ইন্দ্র ওইদুনা আকাশকী ময়ায়দা মৈশা পুথোকই।"

মতৌ অসুম্না ঋষিশিংনা অগ্নি ইন্দ্র সুর্য্য পৃথিবীগী লাইশিং, নোংদোনগী (অন্তরিক্ষগী) লাইশিং অমসুং আকাশকী লাইশিং (দেবগন) পুম্নমক অসি অমত্তনি হায়বসি খঙখি। হায়বদি পৃথিবীবু শাসন তৌরিবা শক্তি অদুনা নোংদোনগী হিরম খুদীংমক শাসন তৌই অদুনা হায়রিবা শক্তি অসিমক্লা আকাশকী হিরম খুদীংমক শাসন তৌই পুম্নমক অসি অমত্তনি। জগত অসি নিয়ম অমগী মখাদা লৈবনি, নিয়মসি শেমলিবা নুপা অমগী মখাদা লৈবনি। "মহদ্দেবানাম্ সুরত্বমেকম্ (ঋগ্বেদ সংহিতা ৩/৫৫)

মতৌ অসুম্না বেদদা ঈশ্বর অমত্তনি হায়বা ৱা অসি য়ৌরকখি। মরম অদুনা অশেংবা বৈদিক ধর্ম্মদি লাই কুন্থ্রাহুমদোই ঈরাৎপূজা তৌবা নত্তে; লাই অহুম ফাওবা ঈরাৎপূজা তৌদে, ঈশ্বর অমত্তবু ঈরাৎপূজা তৌবনা অশেংবা বৈদিক ধর্ম্মনি। বেদদা ইন্দ্রনচিংবগী ঈরাৎপূজা য়া ওরি মদুগী থাঙ্গৈশেংবা মরু ওইবা ৱাফম করিনো হায়বদু ঐখোয়না হায়নবা মথক্তা খঙহঞ্জখ্রে। মরু ওইনদি মদু মথৱাই পান্দবা পোৎপু ইরাৎপূজা তৌবনি, মদুদি বেদগী অবিবা অমদি চাওখৎত্রিঙৈ অবস্থাদা লৈবম্বনি। কুপশিন্না য়েংলবদি মদু ঈশ্বরগী তোঙান তোঙানবা শক্তি অমসুং মদু ফোঙদোকলিবা অদুবু ঈরাৎপূজা (উপাসনা) তৌবনা ঈশ্বরগী ইবাৎপূজা তৌবনি। মসি বৈদিক ধর্ম্মগী পরিণাম (মহৈ)নি অমসুং চাওখৎলকপগী মওংনি। সাধারন (চুম্নগী) হিন্দু অমনা বেদদা কবি লৈবগে (য়াওবগে) হায়বসি খঙলবদি হৌজিক কালগী হিন্দুধর্ম্মদা অসিগুম্বা কু সংস্কার (ফত্ত চৎন পথাপ) না থল্লিবা অমসুং লৈখা তারিবা অসি ওইরম্লোই। মনসা (লীনগী লাইরেম্বী), মশক্তি ফজবা মগুণদি য়াওদবা পূজা তৌবা অসি য়ৌরমলোই। জ্ঞান (লৌশিং)বু শো লোনশিন্দুনা থম্বনা চাওখৎলবা সমাজগী লৈখা তানবগী মরমনি। ভারতবর্ষদা অয়াম্বা মফমদা জ্ঞান শো লোনশিনবা মনুংদা

ফাজিন্দুনা থম্মী, শো মখুত্তা পার্যবিবা নুপা অদুনা কবিগুম্বা কান্দা উপু হাংদোক্লগা মচেৎ খবদং কনাগুম্বা নুংশিবা শিষ্যদা বকশিস ওইনা পী। অদুনা ভাবত অসি মপান নাইদ্রবা জ্ঞানগী লনগৈ (ভাণ্ডাব) ওইববসু অচম্বা ভাবতমচাশিংদি জ্ঞান লৈতবা ওইনা লৈ। ইউবোপকী লনগৈদি চাংদম্লকববদি খজিক্তনি অদুবু ইউবোপকী মীশিংদি জ্ঞান অদু যেম্ফোকপদা মপৃংফানা অখাকপা লৈতনা মখুৎ তিংথোকই। মবম অসিদগী ইউবোপনা মথং মথং চাওখৎলকই অদুগা মবম অসিদগী ভাবতবর্ষনা মথং মথং লৈখা তাবকই। মতম অশুক কুইবা অসি বেদ ব্রাইখুশো লোন্দুনা লৈবর্ম্মা। অদুনা বেদনা যুম্ফম ওইবা ধৰ্ম্ম মথং মথং লৈখা তাবকপনি। লাইবক ফবনা হৌজিক অচম্বা বাঙ্গালীশিং বেদ খঙবা হৌবক্লে। বাঙ্গলা লোন্দা হন্দোক্লনা পূম্নমক শন্দোবক্লে। বাবু মহেশচন্দ্র পালনা উপনিষদকী শরুক অনুবাদকা লোযননা ফোঙবা হৌবক্লে। বেদ খঙবা পণ্ডিত শ্রী যুক্ত সত্যব্রত সামশ্রমানা যজুবের্বদগী বাজসনেযী সংহিতানচিংবগী অনুবাদ ফোঙখ্রে। হৌজিক বাবু বমেশচন্দ্র দত্তনা ঋগ্বেদ সংহিতাগী অনুবাদ ফোঙবা হৌবক্লে। হাযাববা ম অহুম অসি ঐখোযনা থাগৎফম থোকই। [১]

---

[১] মতা, অসিদা বাবু বমেশচন্দ্র দত্তবু থোইদোক্লা থাগত্তনা লৈখা যাদে।

ঋগ্বেদ সংহিতা অনুবাদ (ব্রাহন্দোক) তৌবা যাম্না লুবা থববনি। বমেশ বাবুনা যাম্না থুনা, শেংনা অমসুং পূম্নমক শুনা বাত্তনা থবক অসি পাঙথোক্লখি, ইউবোপ্তা ওইবম্লবা মযাম পন্ননা অসুব কুইবা অসি থাগৎনবনা থনগনি। ঐখোযগী সমাজদাদ মপূম্না তৌনা ওইথোক্লে লোযননা মানা পূক্লীং হন্থফম গো কুম্না আশা তৌব। ঐখোযনা পাংলা ওন্নলি যা অদুক্কী মতৌক অমসুং অতানবা অষ্টক (পন্দুপ নিপান) গী অনুবাদ উববগা ঐখোযনা খঙনা ওমলিবা অদুক্কী মখৈ মাবু হন্না হন্না থাগৎফম থোকই। পাবিবিবশিংনা ইউবোপকী পণ্ডিতশিংনা সাযনাচার্য্যগী ব্যাখা পূমথা থাদোকর্ম্মা হাৰ্বাসি খণ্ডব হাযনা লৌজে। ঐখোযনা উবগা নুঙাইজে মদুদি বমেশ বাবু সাযনগী তুং ইনবনি।

বেদগী মতাংদা বিলাতীগী মোৎ কযামুক লৈ। অযাম্বা মোৎশিং অসি থাজবা যাদবা মতীক চাদবা ঙাক্তনি, অদুগা অযাম্বা মফমদা মদু যাম্না থাগৎনিঙাইনি। থাগৎনিঙাই ওইগে ওইযু থাজবা যাদবা ওইগে ওইসনু, হিন্দুশিংনা মসিপূম্বা খণ্ডফম খোকই। খণ্ডলবদি বৈদিক তত্ত্ব অপূম্বা অসি মখোযনা ফজনা নৈনবা ঙমগনি। ঐগী লৈজবা মোৎ অদু গাদবা কাঙবুনা প্রতিবাদ(যেৎপা) তৌবা অদু খণ্ডব্রবদি ঐগী মোৎকী অচুম চুমদ অদু ঐ ফজনা খঙবা ঙমলোই। মবম অদুনা হাযবিবা মোৎ পূম্নমক খোমজিল্লগা টিকাদা হাপচিন্দুনা বমেশ বাবুগী অনুবাদ

মতৌ অসুম্না বৈদিক ঋষিশিংনা মথং মথং বেদ অমখক্তদা চঙশিল্লক্তুনা যৌশিল্লকখি। অমসুং অসুম্না খঙলকখি— মদুদি মী অমত্তনা পুম্নমক অসি তৌহল্লিবনি অমসুং পুম্নমক তৌই। যাস্কনা হায়খি — "মহাত্ম্যাদ্দেবতায়াঃ এক আত্মা বহুধা স্তূয়তে। একস্যাত্মনোঽন্যে দেবাঃ প্রত্যঙ্গানি ভবন্তি।" মতীক মগুণ পুম্বনা তিল্লবা আত্মা অমবু দেবতা মযামগী মশক ওইনা খুকমনৈ। দেবতা পুম্নমক আত্মা অমত্তগী, মমি ঙাক্তনি।" মবম অদুনা মফমসিদা ঈশ্বর অমত্তনি হায়বসি লেপ্লে।

অসি খ্বাগগী মফমদা কায়না ওই। যেংবদা পেনবা অর্মদি বমেশ বাবুনা লামায় ৩০০ পানবা লাইবিক অসিগী মমল অনা ১০ (অনা তরা) খক লেপ্পা অসিনা মসি ছাপা নম্বগী খবচ অদুখক্তদা যোল্লবনি হায়বসি খঙই।

হায়নাংবা হাসনু বমেশচন্দ্রগী অসিগুম্বা মিংচৎ অসি মতম কুইনা নীংশিংনিঙাই ওইগনি। ইউরোপতা বাইবল অসি ইংরোজিলচিংবা খ্রাওনবিবা লোন্দা ইহান হান্না অনুবাদ (বাহন্দোব) তৌবা মতমদা বোমগী পুরোহিত (পোপ) অমসুং ওঝা (অধ্যাপক) কাংবনা অনুবাদ তৌবা অদুদা কল্লব যেংথবা খুৎ থাখি। বমেশ বাবুগী মফমদসু অসিগুম্বা মী ওৎ মীনে (অত্যাচার) আস তৌরকপগী ওইথোকপা নৈ। তৌইগুম্নসুং বাইবলবু অসুম্না অনুবাদ তৌবদগীদি তৌশিন্নবা ধর্ম্ম (উপধর্ম্ম) দগী ইউরোপ পুম্না কনা, অমসুং ইউরোপ চাওখৎপগী লম্বীদা অথিংবা লৈখিদ্রে; বমেশবাবুগী আসওম্বা অনুবাদ আসনা লৈবাক অসিদসু মতৌ অদুম্না অফবা ফল ফংগনি। পণ্ডিতশিংনা মঙোন্দা তোনাশনবা লমন অসি কদৌঙেদসু শিংবা ইম্নবোইদবান।

অহানবা পন্দুপ নিপান (অষ্টক)কী অনুবাদ আস খণ্ড (শরুক) অমত্তা ওইনা ঐখোযদা খন্ন-নৈননবা থাববক্লে। "প্রচার" চেফোংদা কবিগুম্বা লাইবিক অমত্তগী খন্ন নৈনবা (সমালোচনা) তৌদ্রি, অমসুং অইবশিংনসু লাইবিক খন্ন-নৈনবদা খুৎ থাবদা মাই ওনাশঃদ্রে। মবম আসনা "প্রচার" চেফোংদা মদুবু নৈননা ওইথোক্তে। অদুবু – হায়বিবা পান্দম অসিদা বৈদিক ব্রাবেংশিং ইনবে, হায়বিবা অনুবাদ অসিনা পান্দম আসদা মতেং পাংবতা নত্তনা থবক পাঙথোকহনবা অমা ওইবে। মবম অসিনা হায়বিবা অনুবাদ অসিগী মলমদা ব্র খব হায়বা কান্নগনি হায়না খঙ্ঙে। বেদদা কবি যাওব হায়বদু খঙনীংবা মখোয় অদুনা বেদগী অনুবাদ অসি পাবিফম থোকই, ঐখোয় মসিগী খুদম কযামুক লৌখৎচবি—

(১) মহাক্লা মথন্তনা জগত (বিশ্ব) অসি শেমখি, মবম অদুনা বেদদা মাগী মমিং অমা বিশ্বকর্ম্মা কৌই। ঋগ্বেদ সংহিতাগী তবাশুবা মণ্ডলগী ৮১শুবা অমদি ৮২ শুবা সুক্তদা জগৎ শেম্বগী মমিং অসি লৈ, অদুবু পুবাণ ইতিহাসতদি বিশ্বকর্ম্মা হাযবসি লাইশিংগী অথোইবা খুৎহৈবা ওইবতনি। সুক্তদা যাওরিবদি মানা আকাশ অমসুং পৃথিবী শেমখি (১০/৮১/২) জগৎকী মশক ওইবা (বিশ্বতঃ) অসি মাগী মিৎ, মায, পাম্বোম, মখোঙ (ঐ ৩) অসিনচিংবনি।

(২) মাদি হিবণ্যগর্ভ (অব্রাৎ অপা লৈতবা/ব্রহ্মা) নি। হাযবিবা হিবণ্যগর্ভ অসি তোঙান তোঙানবা শাস্ত্রদা তোঙান তোঙান্না ব্যাখা তৌই। নাযাযন্না শেম্না সনা গুল্লবা মরূমদগী থোবকই হাযদুনা ব্রহ্মাবু মনু সংহিতাদা হিবণ্যগর্ভ হাযনা কৌই অমসুং পুবাণ ইতিহাসতসু হিবণ্যগর্ভ হাযবা ব্রাহ্মে অসি অসুন্না ব্যাখা তৌই। হাযবিবা অসি তবাশুবা মণ্ডলগী ১২১ শুবা সুক্তদা হাযবি- খ্বাযপুম্বগী মমাঙদা হিবণ্যগর্ভ পোকই, জীব (ভুত) পুম্বগী অমত্তা ভাইবা মবুঙোনি, স্বগ মর্ত্তাবু শেম্বা, আত্মদ (থব্রায পীবিবা), পাঙ্গল হাপ্পীবা (বলদ), জগৎনা পূজা তৌনবিবা, জগৎকী অমত্তা ভাযববা নিংথৌ অসিনচিংবা অসিনচিংনা।

---

* মণিপুবদসু অসুন্না পদ্মশী কালাচান্দ শাস্ত্রীগী মহাভাবত, ওঝা ইবোবীগী কাশদাসি মহাভাবত, কৃত্তিবাস বামাযন, তোংব্রম গৌবমাণগী চৈতন্য চবিতামিত্র, লালকাহ্লাইগী গরুবপুবান অসিনচিংবা অমসুং পণ্ডিত অতোম্বাপু বিদ্যাবত্ননা অনুবাদ তৌবিবম্না বাস পঞ্চ অধ্যায, শ্রীমদভাগবতকী শরুক খব, বাঃকুঃ শিতলজিৎনা হন্দোকপীবা চৈতন্য চবিতামৃত অমদি স্বামী গোগেন্দ্রানন্দগা গাতাগী অনুবাদ অমদি অতে অতেনা হন্দোকপা কথা অসিনা হিন্দু বৈষ্ণব ধর্ম্ম গৌবিয সমপ্রদাযগী লাইনীং লাইশোনগী মক ওইবা (তত্ব) অদু খঙনীংবা মীনা খব মখৈ খঙবা ঙমহল্লে চুম্নগী হান্না চৎনবম্না ভাগবত লাইবিক্তা আবতী কত্তুনা পূজা তৌবা চৈতন্য মহাপ্রভুগী মূর্ত্তিদা আবর্ত্তা কৎপনা গৌবিয শম্প্রদায বৈষ্ণব ধর্ম্মগী মক ওইবা ব্রাবম (তত্ব) অমদি লাইনীং লম্বী কৈসু খঙবা ঙমদে। ভাগবত অমদি চৈতন্য চবিতামৃতবু মৈতৈলোন্দা হন্দোকপদু পাবগা খঃ নৈনবগা অখঙবা পণ্ডিতশিংনা ব্যাখা তৌবদুনা খ্বায মীযাম্না ধর্ম্মগী তত্ত্ব লাইনীং লম্বী মুন্না খঙহনবনা ধর্ম্ম অসি লৈখা তাবক্লিবা অসি কোকহনগনি। অদুনা অনুবাদকশিং অসিনা মীযামদা তৌবিবিবা দান অসি যাম্নমক থাগৎফম থোকই।

(৩) মহাক প্রজাপতি (লৈবাক মপু) নি। মঙোন্দগী পজাপৃম্বা শেম্লক্লিবনি। কবি কবিগুম্বা মফমদা সূর্য্য অমসুং সবিতাবু প্রজাপতি কৌনৈ। তৌইগুম্বসুং ইবোই লোইবদদি ঋষিশিংনা মহাকপু খ্বাযগা মান্নদবা তোপতোপ্পা থব্বায পানবা পৃম্লমকপু শেম্বীবা মপু হাযনা খঙলকখি। মতমদ্দা মহাকপু মমিং ‘অমত্তদা’ কৌনবক্লে। ঐতিহাসিক অমসুং পৌবাণিক (ইতিহাস অমসুং পুবাণগী) মতমদা ব্রহ্মা হাযবা মমিং অসি ফংখি। ঋগ্বেদ সংহিতাদা ব্রহ্মা হাযবা ব্রাহৈ যাওদে।

(৪) ব্রহ্ম হাযবা বাহৈসু ঋগ্বেদ সংহিতাগী মফম কদাযদসু উবা ফংদে। অদুবু বেদগী অবোইবা শকক উপনিষদ অর্সিদি ব্রহ্ম শাগৎপগী অমত্তা ঙাযবা পান্দমনি। ব্রাহ্মণগী শকক্তা অমসুং যাজসন সংহিতা অর্মদি অথর্ব্ব বেদদা ব্রহ্ম হাযবা ব্রাহৈসি উবা ফংই। বা পৃম্না আসি মতুংদা লাক্কনি।

(৫) ঋগ্বেদ সংহিতাগী ৯০ শুবা সক্তবু পুরুষ সক্ত কৌই। মসিদা মফম পৃম্বা থৃংনা লৈবা পুরুষকী মবমদা শাংথাবা যাওবি। হার্যাবিবা পুরুষ অসি শ ন্পথ ব্রাহ্মণদা নাবাযণ হাযনা কৌখ্রে। হৌজিক যাওবা বিষ্ণুপৃজা তৌবদা পুরুষ সৃক্তগী অহানবা খ্বক অদু শীজিন্নে।

"সহস্রশীর্ষঃ পুবষঃ সহস্রাক্ষঃ সহস্রপাৎ
স ভূমিং বিশ্বতো বৃত্বা অত্যাতিষ্ঠৎ দশাঙ্গুলং।"

"মকোক লাশী পানবা পুরুষ, মমিৎ লশাং পানবা মখোঙ লাশা পানবা, মহাক্লা পাথ্বি (ভূমি) অমসুং বিশ্বজগত অসিবু শেম্নীদুনা থৃৎশ। ত পান্দুনা অতিযাদা লৈবি।"

হাযনবা লৈ মদ্দি হার্যাবিবা পুরুষ আসবু লাইশংনা (দেবতাশিংনা) হবিগা (ঘানা) লোযননা যজ্ঞদা আহুতি পীবর্ম্মী। হার্যাবিবা যজ্ঞ অদুগী মতং ওইনা জীব পুম্বমক পোক্লকখি। হাযবিবা পুরুষ অসি "সববং যদ্ভুতং যচ্চ ভাব্যং" জগত পুম্লনমক অসি মাগী মখোঙ নামর্তনি; বিশ্বকর্ম্মা হিবণ্যগর্ভ অর্মদি পজাপতিগা লোযননা পুবষ অসিনা অমত্তা ওইবনা বেদান্তগী পববহ্ম হাযনদ্ চাওবাক্লা ওইবে।

মবম অসিনা যাম্না মমাংঙৈগী মতমদা বৈদিকশিংনা মথব্বায পান্দবা পোৎ ঈবাৎ পৃজা তৌবদগী মথং মথং শেংলবা ঈশ্বব অমত্তং ওইবগী বাফম খঙলকখি।

মতম খবদি মদুগা লোযন লোয়ননা ইন্দ্রনাচিংবা অয়াম্বা লাইগী ঈবাৎ পূজা তৌবদু চৎনবর্ম্মী। মথং মথং উবিগনি মদুদি হাযবিবা ইন্দ্রনচিংবা অসি পবমাত্মাদা পুনশিনখি। হৌজিক উবিবগনি মদুদি হিন্দু ধর্ম্মগী থাঙ্গেশেংবা মচংদি অমত্তা ঙাযবা জগদীশ্বববু ঈবাৎ পূজা তৌর্বানি। অদুগা অতোপ্পা পূম্নমক্কা মাগী তোঙান তোঙানবা মমিং ওইজবতানি।

যেহ পান্যাদেবতা ভক্তা যজন্তে শ্রদ্বযান্বিতাঃ।

তেহপি মামেব কৌন্তেয যজন্ত্যবিধিপূববকং।। গীতা ৯।২৩

"হে কুন্তীগী মচা! ইন্দ্রনচিংবা অতোপ্পা দেবতাশিংগী ভক্ত ওইবা মখোযশিং অদুনসু আস্তিক (লাইবু থাজবা) বুদ্ধি তৌদুনা যাম্না থাজনা পূজা তৌই। অদুগুম্বা মখোযশিং অদুনসু কবম্না পূজা তৌগদগে হাযবসিবু খঙদবগী মশক ওইবা অজ্ঞান্না মনম ওইদুনা ইন্দ্রনচিংবগী মশক ওইদুনা লৈবিনা ঐতবু পূজা তৌদুনা নীংই।*"

ঐখোযনা ঋগ্বেদদগী হৌবি অদুগা বামপ্রসাদকী শ্যামা,** বিসযদগা হৌবগা, হাযবিবা কৃষ্ণনা হাযবম্না ধর্ম্ম অদু যৌনা চংশিনগনি। খণ্ডবাযু-ঈশ্বব অমা লৈ অতে অতোপ্পা লাই (দেবতা) লৈতে। ইন্দ্রনাচিংবগী মিং কৌজবা অদু অমত্তা ওইবা মাবু কৌঙ্গর্বানি মসিনি শ্রীকৃষ্ণনা হাযবা (তাবপা) ধর্ম্ম অদু।

---

* স্বামী যোগেন্দ্রানন্দ গীবীগী অনুবাদ।

** বাম পসাদনা কালী হাযনা কৌবা পববক্ষ্মবু ঈবাৎপূজা (উপাসনা) তৌবর্ম্মী। প্রসাদনা হায "ভাক্ত মুক্তি অনিবু কোক্তা থোংলি অমুক হন্না শ্যামা হাযবা মিংসি ব্রহ্মবু খংনৈ। ধর্ম্ম কর্ম্ম পূম্নমকপু থাদোকচবে।"

১৬

হিন্দু ধর্ম্মদা ঈশ্বর নত্তনা অতোপ্পা দেবতা লৈতে

অহানবদা মথৱায পান্দবা পোংশকপু ঈবাং পূজা তৌবা। মতমদুদা মথৱায পান্দবা পোংতা থোইদোকপা থৱায অমা যাওই হাযনা লৌবা (খনবা), মথৱায পান্দবা পোংতগী অহিংবগী থৌওং ওইবকই হাযনা খণ্ডখি। অদুগী তুংদা অহিংবগী থৌওং পূন্নমক নিযমগী মখাদা লৈ হাযবসি উবা ফংই। মতম অদুদা নিযম পূন্না অসিবু শেম্নীবা মী অমা লৈ হাযনা লৌই।

মসিবু ঈশ্বব জ্ঞান হাযনা কৌই। তৌইগুম্বসুং মথবায পান্দবা পোং অদুদা অহিংবা (থবায) মখল অমা যাওই হাযনা খন্দুনা মীগীলক্তা ঈবাং পূজা তৌবিবা পুন্নমক অদু ঈশ্বব জ্ঞান ফংলবদসু মখোযবু পূজা তৌবদি (নাংবদি) মাঙখিদে। মখোয অদু হাযবিবা পুন্নমকপু শেম্নীবা ঈশ্বব অদুনা শেম্না হিংলবা অমসুং থোইদোকপা শক্তি লৈববা অমনি হাযনা ঈবাং পূজা তৌদুনা লৈ।

অদুবু লাইশিং (দেবগণ) অসি ঈশ্ববনা শেম্বনি হাযবা বা অসি ঋগ্বেদগী সূক্তশিংগী মনুংদা ফংবা যাবগী ওইথোকপদি লৈতে। কবিননো হাযবদা সুক্ত পূন্নমক অসিদি লাই পূন্নমক অসিবু থুকুম্না (থাগৎপা) লাইশোল (স্তোত্র) ঙাক্তনি। লাইশোলদা খুকুম্নলিবা (থাগৎলবা) অদুনা কৈসু লৈত্রবা অপিকপা অমনি হাযনা হাযবা কনানসু পামদে। তৌইগুম্বসুং হাযবিবা ভাব (ৱাখল্লোন) অসি উপনিষদ পূন্নমক্তা যাম্না হেন্না মপূং ফানা যাওবি। ঋগ্বেদগী ঐতরিয উপনিষদতা মসি যাওবা তৌবে—

"আত্মা বা ইদমেক এবাগ্র আসীৎ। নান্যৎ কিঞ্চন মিষৎ"

হাযবদি "লৈশেমঙৈদ্রিঙৈ মমাঙদা আত্মা অমখক্তমক লৈবর্মী অতৈ কবিসু লৈবমদে। মতুংদা মানা জগৎ শেম্লগা লাইশিং (দেবগন) অসিবু শেমখিবনি।"

"স ঈক্ষতে মে নু লোকা লোকপালান্নু সৃজা ইতি ইত্যাদি।"

ঐখোযনা হাযজবির্বাদ মমৈদা মমৈদা জ্ঞান্না মকোক থোংলক্লবদা মীওইবনা মথৱায পান্দবা পোত্তা অহিংবা (থৱায) লৈ হাযনা থাজবক্তে, মতমদুদা

ঈবাৎ থৌনিবিবনা হার্যবিবা মথৱায পান্দবা পোৎ পূম্নবু ঈশ্বৱগী শক্তি অমদি মশক ফোংদোকপতনি হাযনা খনখি। মতমদুদা ঈশ্বৱগা ইন্দ্রনচিংবগা খেন্নবা লৈবমদে, ইন্দ্রনচিংবগী মমিং অসি ঈশ্বৱগী মিংদা ওন্থোকখি। মতাং অসিদা প্রোফেসব মেক্ষমুলবগী Heno Theism লাক্লে। মহাক্না মসিগী খুদম কযামুক ঋগ্বেদদগী লৌথোক্লুনা উৎখি, মবম অদুনা হাযবিবা ব্রা অসিগী বেদগী প্রমান পাম্বীববদি হার্যবিবা অইবা অসিগী লাইবিকশিংদা লাইবক যেংবিযু হাযজবি। মফর্মাসিদদি হাযবিবা প্রমান পূম্নমক অসি অমুক হন্না খোমজিন্দুনা হাপ্পগী কান্নবা লৈতে। অদুবু প্রোফেসাব মহাশয অসিনা খঙবা ঙমখিদবা ব্রাফমদি অসিনি। মানা হাযাখ— "মখোয অসি বৈদিক ধর্ম্মগী থোইদোকপা মশক (মওং) নি হাযৰদি লাইশিং (দেবতা) অসিবু স্তুতি (খুকুম্বা- থাগৎপা) তৌবা মতমদা হার্যবিবা লাই অদুনা পূম্নমক্কী মথক্তা খ্বাযদগী চাউবনি হাযবর্সিনি"। মরু ওইবা ব্রাদি মদু বৈদিক ধর্ম্মগী থোইদোকপা মশক নত্তে-পুবান ইতাহাসতা মফম পূম্বদা যাওবি-মদুদি হিন্দু ধর্ম্মগী ওন্থোক্লবা মশক ঈশ্বব অমত্তান হাযবা ব্রাফর্মশিংগা লোয়নন মমাংঙে আববা মতমগী লাইমযাম ঈবাৎপূজা তৌবগা পনাশন্নখিবান। লাই (দেবতা) অমত্তান হাযনা যানগ্নবা মতম অদদা ইন্দ্র, বাযু বরুণনচিংবা মিংশং অসি মাগী মমিং ওইখিবনি। অমসুং মহাকপু ইন্দ্রনচিংবা মিং কৌদুনা স্তুতি তৌবা হৌখি।

হাযবিবা ইন্দ্রনচিংবা অসি মন্নোদাদ পূম্নমক ঈশ্বৱগী মশক (স্বরূপ) নি হাযনা ঈবাৎপূজা তৌই— মদুগী প্রমান বেদদা পীবমদে। প্রোফেসব মেক্ষমুলবগী লাইবিক্তা পূম্নমক উত্তনা তাক্লবা Henotheism গা মান লৈনবা খুদম পূম্নমক অদুনা মসিগী মতীক চাববা প্রমার্ণনি। ঐনা খঙহঞ্জগদবদি- মসি বেদদতা নত্তে পুবাণ ইতিহাসতসু যাওই হাযবর্সিনি। মবম অদুগীদমক্তা মহাভাবতগী স্তোত্র কযামুক লৌখৎচবি।

ইন্দ্রগী স্তোত্র (লাইশোল) আদি পবর্বগী কুনমঙাশুবা অধ্যাযদগী লৌখৎচবি। "হে লাইগী নিংথৌ' হন্দক মবক্তি নহাক নত্তনা ঐখোযগী থৱায কন্নবা অতোপ্পা উপায অমা লৈত্রে— মবম অদুনা নহাক্না নোং যাম্না চুথবিবকপা ঙম্মী। নঙদি বাযুনি, নঙদি নোংনি, নঙদি অগ্নি (মৈ) নি, নহাক্না নোংদোন্দা

নোংথাংগী মশক লৌদুনা ঙানবীয়ু অমসুং নঙোন্দগী নোং মরী মবী চাইথরক্তুনা লৈবীয়ু; নহাক মীওইবলক্তা খ্বায়দগী চাওববা নোংনি হায়না খঙনরি, নহাক্তি অকিবা ফংলবা অমদি চাউরবা বজ্রগী মৈঙালগী মশক্তি। নঙদি অদিতিগী মচানি, নঙদি নুমিৎনি, নঙদি য়াম্না ঙক্লবা মহাভুতনি, নহাক্তি লাই পূম্নমক্কী নিংথৌনি, নঙদি মমিৎ লীশীং পানবনি, নহাক্তি লাইনি, অথোইবা লম্বীনি, নঙদি অমাং অতা লৈত্রবা অমৃতনি, নহাক্তি থোইদোক্লা পূজা তৌনরিবা চীংলেম্বা শক্রমনি (সৌম্য মুর্ত্তি), নঙদি (মুহুর্ত্ত) মিকুপনি, তিঠি (নুমিৎ) নি, পাঙ্গননি (বল), নংদি ক্ষণ (মিকুপ) নি, নঙদি শুক্লপক্ষ (পানখৎলকপা থাখায) নি, কৃষ্ণ পক্ষ (শিথবপা খাখায) নি, নহাক্তি কলা (মিনিট, থাগী তবাতরুক থোকপগী অমা) নি, কাষ্টা (অপীকপা মতমগী পকক-ঙমখৈ)নি, ত্রুটী, থা, ঋতু, সম্বৎসব, অমদি অহিং নুংথিলনি। চীং পূম্নমক অসি নঙনি, উ ব্রা বন জঙ্গলনা থল্লবী পৃথিবীসু নঙনি। নঙদি অমম্ববু মাঙহনবীবা অমদি নুমিৎনা শেংদোক্লবা আকাশনি, নঙদি তিমিনি; তিমিঙ্গলগা লোযননা লৈবিবা যাম্না রাং চাওববা ঈথক মপৈনা থল্লবা পাক চাউববা সমুদ্রনি।" হায়বিবা স্তোত্র (লাইশোন) অসিদা জগতশিঙ্লুংনা লৈবা পবমেশ্বববু শীংথাবি।

অসিগী তুংদা আদি পবর্বগী অধ্যায চানিতবামাপলদগী অগ্নি স্তোত্র (মৈবু খুকুম্বা লাইশোল) লৌখৎচবি—

"হৈ মৈ কৌবা লাই ! মহর্ষিশিংনা হায় নহাক্লা জগত অসি শেম্মী, নঙনবু লৈত্রবদি জগৎ পূম্নমক অসি মিকুপ অমগী মনুংদা পূংতুম তুমগনি, ব্রাহ্মণ (বিপ্র) শিংনা মতু মচা পুম্বগা লোযননা পূন্না নঙবু খুকমজদুনা মশাগী ধর্ম্ম ঙাকচদুনা অফবা লম্বী ফংনবি। হে অগ্নি ! অফবা মীশিংনা নহাক অসি আকাশ থন্না নোংথাংগা লোইননা লৈবা ঈশং মপৈনি হাযনদুনা লৈবি, নঙোন্দগী খুৎলায পূম্বা থোবক্তুনা পৃথিবীগী পোৎ পূম্ববু চাকথেকলি, হে বেদ পোকপা ! অচৎ চও জগৎ পুম্বা অসি নঙনা শেম্বীবনি; নঙনা ইহান হান্না ঈশিংবু শেম্বী মথংদা মদুদগী জগত পূম্নমকপু পুথোকই। নহাক্লা হব্য কব্য (লাইদা কৎনবা পোৎ ঘীনচিংবা) পোৎ পূম্বা নিযম কায়দনা শেম্বীবি। হে দেব! নঙদি চাক্লিবা শক্তিনি নহাক্তি অশেম্বনি, নঙদি বৃহস্পতীনি, আশ্বিনী কুমারনি, নঙদি নুমিৎ (মিত্র) নি, নঙদি থানি, নঙদি নুংশিৎনি।"

বন পবর্বগী অহুমশুবা অধ্যাযদা সুর্য্য স্তোত্র অসুম্না য়াওবি— "ওঁ সুর্য্য ! (খুকমর্জাব নুমিৎ কৌবা লাই) অর্য্যমা, ভগ, ত্বষ্টা, পৃষ্যো, অর্ক, সবিতা, ববি, গভস্তিমান্, অজ, কাল, মৃত্যু, ধাতা, প্রভাকব, পৃথিবী, জল, তেজঃ, আকাশ, বাযু, সোম, বৃহস্পতি, শুক্র, বুধ, অঙ্গাবক, ইন্দ্র, বিবস্বান, দ্বীপ্তাংশু, শুচি সৌবি, শনৈশ্চব, ব্রহ্মা, বিষ্ণু, রুদ্র, স্কন্দ, বরুণ, যম, বৈদুত্যাগ্নি জাঠবাগ্নি, ঐন্ধনাগ্নি, তেজঃপতি, ধর্ম্মধবজ, বেদ কর্ত্তা, বেদাঙ্গ, বেদবাহন, সত্য, ত্রেতা, দ্বাপব, কলি, কলা, কাষ্টা, মুহুর্ত্ত, ক্ষপা, যাম, ক্ষণ, সম্বৎসবকব, অশ্বথ, কালচক্র, বিভাবসু, ব্যক্তাবক্ত, পুরুষ, শাশ্বতযোগী, কালাধ্যক্ষ; প্রজাধ্যক্ষ বিশ্বকর্ম্মা, তমোনুদ, ববণ, সাগব, অংশ, জীমুত, জীবন্, অবিহা, ভূতাশ্রয, ভুতপতি, শ্রষ্টা, সম্বর্ত্তক, বহ্নি, সবর্বাদি, অলোলুপ, অনন্ত, কপিল, ভানু, কামদ: জয, বিশাল, বরদ, মন, সুপর্ণ, ভুতাদি, শিঘ্রগ, ধন্বন্তবি, ধুমকেতু, আদিদেব, দিতিসুত, দ্বাদশাক্ষব, অবাবিন্দাক্ষ, পিতা, মাতা, পিতামহ, স্বর্গদ্বাব, প্রজাদ্বাব মোক্ষদ্বাব, তৃবিষ্টপ, দেহকর্ত্তা, প্রশান্তাত্মা, বিশ্বাত্মা, বিশ্বতোমুখ, চবাচবাত্মা, সূক্ষ্মাত্মা, অমদি মৈত্রেয, স্বয়ম্ভু অমসুং অমিততেজা।"

আসগী তুংদা আদি পবর্ব অতমশুবা অধ্যাযগী অশ্বিনী কুমাব শানগী স্তোত্র (মিংখে) লৌখৎচবি— "হে অশ্বিনীকুমাবা নখোয অনিদি লৈশেম নোংশেমগী মমাঙদা লৈবম্লর্বনি। নখোযনা ভূতপূর্ব্বগী মকোক ওইবা হিবণ্যগর্ভগী মশক ওইনা ফাওগৎলকই, মতুংদা নখোয়না সংসাব অসিদা মাযাগী মশক ওইনা ফোঙদোক্লনা লৈবি। লম, লমগী মতম অমসুং অবস্থানা নখোযগী ঙমখৈ ওনবা যাদে, নখোযগী মাযা অমসুং তমথিনবা মাযাগী শক্লাইবা ওইনা ঙাম্দুনা লৈ; নখোযনা হকচাংগী মশক ওইবা উপাস্থীদা উচেক ওইনা তোংদুনা লৈবি। নখোযদি লৈশেম নোংশেমগী কুপখ্রবা পবমাণু মপৈ অমদি প্রকৃতিগী তঙাইফদনা লোযনবা ওইবিবি, নখোযবু ৱাহৈ অমসুং পুর্ণ্রীংনা খঙঙমদবনি। নখোয নশাগী প্রকৃতিবু থুগাইবা ঙম্বা শক্তি অদুনা জগত মপুম অসিবু ইবং লংহল্লি।

অধ্যায চনি কুন্থামাথোই শুবদা কার্ত্তিকেয স্তোত্র দি অসুম্না যাওবি—

"নহাক স্বাহানি, স্বাধানি, নঙদি থোইদোক হেন্দোক্লা তশেং তশেংবনি।

মন্ত্র পূন্নমমক্না নঙবু স্তব তৌদুনা লৈবি, নঙদি ফাওববা হুতাসন (মৈ) না, নঙদি সংবৎসবনি, নঙদি ঋতু তকক্লি, থা-থাখায অযন অমদি মাযকৈ (দিক) নি, হে মিৎয়া থম্বাল মানবা (বাজীব লোচন) নঙদি নমাই লীশীং অমদি নখুৎ লীশাং পানবনি, নঙদি মালেম পূম্বা ছন্না লৌবিবনি, নঙদি থোইদোক্লা শেংলবা যজ্ঞগী ঘীনি, নঙদি লাই হিংচাবা পুম্বগী ফত্তবা মাঙহনবনি নঙদি চাউশাংলবা মপূনি অমদি যেক্লবা পূম্ববু জয তৌবিবনি, নহাক্তি মালেম লীশীং লীশীংনা নহাক্তি নখুৎ লীশীং পানবা নকোক লীশীং পানবনি, নঙদি অনন্ত (লোইনাইদবা) গা মশক্কী নঙদি নখোং লীশীং পানবনি, নঙদি ওকগী শা ক্ত ওইবিবনি।"

অসিগী তুংদা আদি পবর্ব অধ্যায কুনাহুমদোইদা গরুড স্তোত্রদা -

"হে লাইবক ফবা উচেক নিংথৌ! নঙদি খামিনা, দেবনি, মপূনি, সূর্য্যনি নঙদি প্রজাপতিনি, ব্রহ্মানি, নঙদি ইন্দ্রনি, হযগ্রীবানা, নহাক্তি তৌনা, জগৎকী মপূনি, নঙদি নুঙাইবনি, নঙদি অবাবনি, নঙদি ব্রাহ্মণনি, মৈনি, নুংশিৎনি, নঙদি ধননি, নঙদি বিধাতানি, বিষ্ণুনি, নঙদি অমৃতনি, অচৌবা মিংচৎনি, নহাক্তি মহাসনি, নঙদি ঐখোযগী শেংলবা মগমানা, নঙদি পাঙ্গলনি, সাধনি, মগামানি অমদি চাওখৎপগী মশাক্লি, নঙদি অস্তবানা, নঙদি লেইবা লেঙদবা পোৎ পম্বনা; নঙদি যাম্না খাঙ ঙমদবনা, নঙদি অথোইবনা, নঙদি অচৎ চওগী মশাক্ল; হে মিংচৎ চাউবনা গরুড! তৌখিবা, তৌজিক, লাক্লদবা পূন্নমনা নাহোন্দগীনা, নঙদি নশাগী নঙাল মপেনা নুমিৎকী মঙাল পূম্ববু লূপাশিল্লিবনি, হে মৈগুম্না লঙলবা! নহাক্লা অশাওবা নুমিৎকী মশক লৌদুনা প্রজা পূম্ববু চাকথোল্লিবনি; নহাক্ত পন্নমকপু মাঙহন্নবগীদমক্তা যুগ লোইবকপদা শিৎপা নুংশিৎকুম্না অকিবগী মশক ফংলবা শক্তম ওইবিবনি। ঐখোযনা যাম্না কনথৌববা নোংথাংগুম লংলবা মঙাল্লা নঙগী ওইবা, অতিযাদা কোযচৎ চত্নুনা শান্নবিবা, ঙমখৈ লৈতনা পাঙ্গল চাউববা উচেক শাগৈগী কোকথক মনি গরুডদা চঙজবি।


ব্রহ্মা বিষ্ণু অমসুং শিবগা মবি লৈননা অসিগুম্না স্তোত্র (মিংখৈ) মশাং থিঙমদনা পুবাণশিংদা যাওবি। মদুগী খুদম অমুক পীকবগী থোইনা কান্নদে। হৌজিক্তি ঐখোয ভগবান্না হাযবীবম্বা ব্রা অসি নীংশিংলসি—

"যেহ পান্যদেবতা ভক্তাঃ যজন্তে শ্রদ্ধযাম্বিতাঃ।

তেহপি মামেব কৌন্তেয যজন্ত্যবিধিপূবর্বকং ॥" গীতা ৯।২৩।

হাযবদি ঈশ্বব নত্তনা অতৈ অতোপ্পা লাই (দেবতা) অমা লৈতে। অতৈ অতোপ্পা লাইবু পূজা তৌবিবা মখোয অদুসু শাস্ত্রগী নিযমগী ওন্ন-তৈননা ঈশ্বববু পূজা তৌবিবনি।

— *লোইরবা* —



বঙ্কিমচন্দ্র (২৬ জুন, ১৮৩৮ ইং - ৮ এপ্রিল্ ১৮৯৪ ইং) নৈহাটি, অরাং ২৪ পরগনাদা পোকখি। যাদবচন্দ্র চট্টোপাধ্যাগী মচানুপা মরি গী অহুমশুবা মচানপানি। মাগী নুপী বাজলক্ষ্মী দেবী, মচানুপী অহুম পোকখি। খৃঃ ১৮৫৮ কলিকতা বিশ্ববিদ্যালযগী অহানবা বিএ পরিক্ষা পাস তৌবগা খৃঃ ১৮৫৯ ইংদা ডিপুটি মাজিষ্ট্রেট ওইখি অমসুং খৃঃ ১৮৮৮ দা থবক্তগী পোথাখি। কলিকতা বিশ্ববিদ্যালযগী সিনেটকী মেম্বর ওইখি। শৈরেংগী লাইরিক ৩, উপন্যাস ১৫, কৃষ্ণচরিত্রনচিংবা রাবেং লাইরিক ১৬ অমসুং সমালোচনা লাইরিক ৬ ইরম্মী। মাগী উপন্যাস আনন্দমঠ কী ঈশৈ 'বন্দেমাতরম' ভারতকী জাতীয় সঙ্কীর্তন। মহাক্কা ইরম্বা রাবেং লাইরিক 'দেবতত্ত্ব অমদি হিন্দু ধর্ম্ম' মণিপুরীদা হন্দোকচবা এলাংবম সোনমণি সিংহ।